# প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মিনিষ্টর ৭৮কী মনুংদা ৭২দি ক্রোরপতিনি



নরেন্দ্র মোদিগী নৌনা ৱাশক লৌখিবা মিনিষ্টরশিং

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ৮ঃ*

যুনিয়ন কেবিনেট হন্দক্তা চাওথোকখ্রবা মতুং মিনিষ্টর ওইরবশিংগী মনুংদা ৭২দি ক্রোরপতিনি। অদুগা ক্রিমিনেল কেস চেন্নবা মিনিষ্টরনা ২৪ শুরে।

মমাঙ চয়োলদা অনৌবা মিনিষ্টর ১৯ হাপচিল্লগা ৫না মিনিষ্টরদগী লৌথোকখ্রবা মতুং হৌজিক হৌজিক অপুনবা মিনিষ্টর মশিং ৭৮ লৈরে। নৌনা মিনিষ্টর ওইরকখ্রবশিং অয়াম্বা লুপা ক্রোর ৮.৭৩গী লন-থুম লৈবশিংনি। অপুনবা মিনিষ্টরশিংগী ওইনদি চাদ ১২.৯৪দি ক্রোরপতি ওইরে হায়না দিল্লিদা বেজ তৌবা থিঙ্ক টেঙ্ক এসোসিয়েসন ফোর দিমোক্রেটিক রিফোর্মস (এ টি আর)না ফোঙদোরক্লি।

নৌনা মিনিষ্টর ওইরবা মৈদ্যপ্রদেশতগী এম জে অকবরনা লন-থুম খ্বাইদগী য়াম্না লৈবা মীওই ওইরে। মহাক্কী লন-থুম লুপা ক্রোর ৪৪.৯০ লৈ হায়না লাউথোকখ্রে।

রজস্থানদগী রজ্যসভাগী মেম্বর ওইনা লাকখিবা পি পি চৌধারি অমসুং বিজয় গোয়লনা মথং শীৎনা লুপা ক্রোর ৩৫.৩৫ অমসুং ২৯.৯৭গী লন-থুম লৈ হায়রি।

নৌনা মিনিষ্টর ওইরবা লুপা ক্রোর ১গী মথক্তা মরল মথুম লৈবশিংগী মনুংদা রামেস জিগা জিনাগি, পুরসোটম খোদবাইরুপালা, অনুপ্রিয়া সিংহ পটেল, মহেন্দ্রনাথ, ফাগন সিংহ উলাষ্টে, রাজেন গোহেন, এস এস অলুৱালিয়া, অরুন রাম মেঘৱাল, সি আর চৌধুরি, মন্সুখবাই লক্ষ্মনবাই অমসুং কৃষ্ণরাজ য়াওরি।

এ দি আরগী রিপোর্ট মতুং ইন্না নরেন্দ্র মোদিগী মিনিষ্টর ৭৮কী মনুংদা ৯দি লুপা ক্রোর ৩০গী মথক্তা লন-থুম লৈ। মদুগী মনুংদা ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলি (লুপা ক্রোর ১১৩), ফুদ প্রোসেসিং মিনিষ্টর হরসিমরট কোর (লুপা ক্রোর ১০৮) অমসুং পৱার মিনিষ্টর পিয়ুস গোয়ল (লুপা ক্রোর ৯৫) য়াওরি।

মৈদ্যপ্রদশেতগী রাজ্য সভা মেম্বর ওইনা লাকখিবা নৌনা মিনিষ্টর ওইরবা অনিল মাধবগীনা লুপা লাক্ষ ৬০.৯৭ লৈ হায়না লাউথোকখি। মিনিষ্টরশিং অদুগী মরক্তা ৬তি লুপা ক্রোর ১গী মখাদা লন-থুম লৈবনি হায়না লাউথোক্লি।

নৌনা মিনিষ্টর ওইরবশিংগী মনুংদা ৭না ক্রিমিনেল কেসশিং চেন্নে হায়না লাউথোকখিবা লৈখ্রে। পুন্না মিনিষ্টর ৭৮গী মনুংদা ২৪ ক্রিমিনেল কেসশিংদা চেন্নে হায়রি। লোক সভা অমসুং রাজ্য সভা অনীমক্কী ওইনা নুপী মিনিষ্টর ৯ লৈ হায়না এ দি আরগী রিপোর্ট অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# শক্তি লৈরবা টাইফুননা টাইৱানদা অনী হাৎখ্রে, ৬৬ শোক্লে



টাইফুন নেপরটকনা টাইৱানদা হুমজিল্লকপদা ওইখিবা ফিভম

*টাইপৈ, জুলাই ৮ঃ*

শক্তি লৈরবা টাইফুন অমা টাইৱানগী নোংপোক থংবা সমুদ্র খোঙবান্দা হুমজিলক্লে। অকনবা নুংশিৎ শীৎপগা লোয়ননা অকনবা নোং চুংহনখ্রে। নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা লমদম অদুদা মীওই ২ হাৎখ্রে অদুগা ৬৬না অশোক অপন নংখ্রে।

লমদম অদুগী পাইগদবা প্লেন অমসুং চৎখিগদবা হি কয়া পন্দুনা লৈখ্রে। লোয়ননা মীওই লিশিং ১৫ শাফগদবা মফমশিংদা হোং দোকহনখ্রে।

টাইফুন নেপরটক কংফালগী লমদা ঙসি অয়ুক য়ৌশিল্লকখ্রে। কংফালগী শরুক য়ৌশিল্লকপগা লোয়ননা নোংলৈ নুংশিৎ অদুগী মপাঙ্গলসু ময়াই ওইবা চাংদা হন্থরে হায়না সেন্ট্রেল ৱেদর ব্যুরোনা রিপোর্ট তৌরক্লি।

টাইফুন নেপরটক হৌজিক কাউসিৱুংদগী কিলোমিটর ২০ লোম লাপ্না লৈরি। অৱাং নোং চুপ তম্না পুংদা কিলোমিটর ১৩ য়াঙনা হুন্লি। নোংলৈ নুংশিৎ অদু তপ্না তপ্না মপাঙ্গল হন্থরক্লগনি। অদুম ওইনমক কা হেন্না নোং চুহনবা য়াবগী ফিভম লৈবনা মফম কয়াদা ঈচাও অমসুং লেন্দ স্লাইদ থোকহল্লকপা য়াই হায়রি।

টাইৱান সেন্ট্রেল ইর্ম্মজেন্সি ওপরেসন সেন্টগী ৱাঙাংলোই লি ৱৈ সেননা ফোঙদোরকখিবদা টাইফুন অদু পুংদা কিলোমিটর ১৬৩ য়াঙনা নুংশিৎ শীৎহল্লি। পিং টুং অমসুং টাই টুং কাউন্টিদা লৈবা য়ুম ৩৯০০০০ শোকহল্লে হায়রি।

ঈথৎ লৈবাক অদুগী রেলৱে সার্ভিস লেপ্লে। মদুতা নত্তনা ইন্টর্নেসনেল অমসুং নেসনেল ফ্লাইট ৬০০ কেন্সেল তৌখ্রে। অদুগা অতোপ্পা ফ্লাইট ১৭৮না মতম থেংথনা পাইখ্রে।

নোংলৈ নুংশিৎ অদু চাইনাগী ফুজিয়ান প্রোভিন্সতা য়ৌশিল্লকপা য়াই। চাইনা মেটেরেলোজিকেল এদমিনিষ্ট্রেসনগী মতুং ইন্না চাইনাগী নোংপোক থংবা শরুক্তা হয়েং অয়ুক শোইদনা নোংলৈ নুংশিৎ অদু য়ৌরক্লগনি।

টাইৱান ওথোরিটিনা রিপোর্ট তৌরকখিবদা লৈবাক অদুগী কাউন্টি অমসুং সহর ১৪দা লৈবা মীওই ১৫,৪০০ শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকখ্রে।

টাইৱানদা লৈরিবা য়ুম কয়া নোংলৈ নুংশিৎ অদুগী শাফু ফংলে। রেষ্টুরেন্ট চল্লাইবা চেন মাংনিং কৌবা মীওই অমা শগোলশেন নুমিৎতা ফোঙদোকখিবদা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুদগী কঞ্জনবা মহাক্কী রেষ্টুরেন্ট অদুগী থোঙ লোনশিল্লে। অদুবু পুক্লিং ৱারীবদি মফম খুদিংমক্তা অদুগুম্বা ফিভম অদু মায়োক্লরি।

ফিলিপিন্সকী কোনুং মনিলা অমদি অতোপ্পা প্রোভিন্সশিংদা লৈবা স্কুল কয়া ছুটি থাখ্রে। টাইৱানদগী পায়রক্কদবা ফ্লাইট ৬ মতম থেংথনা লাকখি। লোয়ননা টাইৱানদা পায়গদবা ফ্লাইট কয়াসু কেন্সেল তৌরে হায়না ফোঙদোরক্লি।

# অরুনাচল প্রদেশতা নাগা মিলিটেন্ট ৪ হাৎখ্রে

*টিরাপ, জুলাই ৮ঃ*

নাগা লালহৌলুপ নেসনেলিষ্ট সোসিয়েলষ্টি কাউন্সিল ওফ নাগালিম (রিফোর্মেসন)গী কাদর ৪ ঙসি অয়ুক অঙনবদা অরুনাচল প্রশেদকী টিরাপ দিষ্ট্রিক্টতা অসাম রাইফলসকা খূৎ থোক্লবদা হাৎখ্রে।

লৈখিদ্রবা মিলিটেন্টশিং অদুদগী এ কে - ৪৭ এসোল্ট রাইফলস অনী অমসুং পিষ্টোল অমা ফংবা ঙমখ্রে হায়রি। খূৎ থোক্লবগী থৌদোক অদু টিরাপ দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদগী কিলোমিটর ৭ লোম চৎলগা লৈবা খোন্সাগী মনুং হুঞ্জিনবা কেটি খূঙ্গংদা থোকখিবনি হায়না অসাম রাইফলসকী ৱাঙাং লোই লেফটিনেন্ট কর্নেল রাহুল জোসাননা ফোঙদোরক্লি।

নোংমৈ কাপ্পুনা হাৎখ্রবা মীওই ৪ অদু শেনখায় থুমখায়, খূৎলায় অমসুং দ্রগ পুথোক পুশিন তৌবদা চেন্নবা মীওইশিংনি। লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুদি কেপ্টেন জানো টেকৱা, সর্জেন্ট মেজর লোভো পাংসা, সর্জেন্ট তোংবাই অমসুং কোর্পোরেল মনখু ৱাংসানি হায়রি।

অসাম রাইফলসকী লান্মীশিংনা য়ুমশকৈশ নুমিৎকী নুমিদাংদগী খূঙ্গং অদু কোয়শিন্দুনা থমখি। অসাম রাইফলসকী থোমজিনখিবা কলম অহুমগী মনুংদা কলম অমগা অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপ্নরকখি। নোংমৈ কাপ্নবা অদুদা লান্মীশিংনা লালহৌবশিং অদু হাৎপা ঙমখিবনি হায়রি।

# মিনিষ্টরগী কারনা মিনি বসতা থোমজিনবদা ১৫ ফিভম লুনা শোকহনখ্রে

*জোরহাট, জুলাই ৮ঃ*

জোরহাট পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা কুরিপুখুরিদা অসাম এগ্রিকলচর মিনিষ্টর অতুক বোরাগী কারনা টাটা মেজিক মিনি বস অমদা থোমজিনবদা মীওই ১৫ অরুবা ফিভমদা শোকহনখ্রে। মী পুদুনা লাকপা টাটা মেজিক অদুগী নম্বর এ এস ০৩ এ সি ০০৬২নি হায়রি।

মিনিষ্টর মশাগী সোরপিয়ো গারী অমনা মীওই ১৬ লোম পুদুনা লাকপা মিনি বস অদুদা থেংজিনখি। শোক্লবশিংগী মনুংদা মীওই কয়াগী ফিভম লুরি হায়রি। অদুম ওইনমক মরিদি থোইনা খুদোংথিনিংঙাই ওইদ্রে।

মিনিষ্টরগী গারী অদুদা ড্রাইভর য়াওনা মীওই অনী খক্তমক তোংলকখি। গারী অনীমক্তা ড্রাইভরশিং থেংজিন্নবা অদুনা মরম ওইরগা অশোক অপন নংখ্রে। শোক্লবা মীওইশিং অদু জোরহাট মেদিকেল কলেজতা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে হায়রি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating .any numbers*

**Hard Sana Suduku-635**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | 6 | 3 | | 9 | 8 |
| 9 | | | | 7 | 4 | 1 | | 5 |
| | | | | | 9 | | | |
| | 2 | | 1 | 4 | | | 6 | 3 |
| 8 | 1 | | | | | 2 | | |
| | 6 | | 7 | | 2 | | | |
| | | 3 | | | | | 1 | 2 |
| | | 5 | 4 | | | 6 | 7 | |
| | | | 9 | 2 | | 8 | 3 | 4 |

# অমরনাথ খূভম চৎপা অমসু শীরে

*শ্রীনগর, জুলাই ৮ঃ*

খা থংবা কাস্মিরগী অমরনাথ হায়না খঙনবা শেংলবা শুরুংগী খূভমদা চৎপা মীওই অমসু ঙসি হার্ট ফেল ওইদুনা শীরে। ঙসি নৌনা মীওই অমা শীখিবগা লোয়নয়া পুন্না হন্দক্কী খোঙচৎ অসিদা শীখিবা মীগী মশিং ৬ শুখ্রে।

শেংলবা খুভম অদুদা চয়োল অমগী মতুংদদি মীওই লাক্ষ ১ রোম থুংলরগনি। হার্ট ফেল ওইদুনা লৈখিদ্রবা মীওই অদুদি রজস্থানদগী সুরিন্দর দট্ট বিয়াস (৬৫)নি।

মহাক অনন্তনাগ দিষ্ট্রিক্টকী পহল গ্রাম লম্বীদা কিলোমিটর ৪২ রোম লাক্লবা মতুং হার্ট ফেল ওইরকখিবনি। হন্দক্কী অমরনাথ খোঙচৎ অসিদা দিল্লিদগী নুপী অমা য়াওনা মীওই ৬ শীখ্রে। ওফিসিয়েলশিংনা লৈখিদ্রবগী হকচাং অদু পুথরক্লবা হোৎনরি।

অমরনাথ খুভম য়ৌননবগীদমক মায়কৈ অনীদগী মশিং য়াম্লবা মীয়াম চংশিল্লক্লি। ঙরাং নুমিদাং ফাওবদা মীওই ৮৬,৬৯৬ খুভম অদুদা লাই খুরুমখ্রে। নুমিৎ খুদিংগী ওইনা খুভম অদুদা মীওই লিশিং ১৫গী চাংদা থুংলরি হায়রি।

**সনা-সুদোকু- ৬৩৪ গী সোল্যুস**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 7 | 8 | 9 | 2 | 6 | 3 | 1 | 5 |
| 1 | 3 | 2 | 4 | 5 | 8 | 6 | 7 | 9 |
| 6 | 5 | 9 | 1 | 3 | 7 | 8 | 2 | 4 |
| 7 | 6 | 1 | 5 | 8 | 3 | 4 | 9 | 2 |
| 9 | 4 | 3 | 6 | 1 | 2 | 5 | 8 | 7 |
| 8 | 2 | 5 | 7 | 4 | 9 | 1 | 6 | 3 |
| 2 | 9 | 4 | 3 | 6 | 1 | 7 | 5 | 8 |
| 5 | 8 | 6 | 2 | 7 | 4 | 9 | 3 | 1 |
| 3 | 1 | 7 | 8 | 9 | 5 | 2 | 4 | 6 |

# অনুপ্রিয়া মিনিষ্টর হাপখ্রবা মতুং য়ু পিদা অপনা দল অমসুং বি জে পি কায়নখ্রে



অনুপ্রিয়া পটেল

*লখনৌ, জুলাই ৮ঃ*

অনুপ্রিয়া পটেল প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টর ওইনা নৌনা হাপখিবা নুমিৎ হুমনিগী মতুংদা য়ু পিদা বি জে পিগা চুংশিন্নরিবা অপনা দলনা চুংশিন্নবগী নিয়ম ঙাক্তে হায়না মরাল শীবগা লোয়নয়া চুংশিন্নবা তোক্লগনি লাউথোকখ্রে।


অপনা দল নৌনা মিনিষ্টর ওইরকখ্রবী অনুপ্রিয়া পটেলগী অপোকপী কৃষ্ণ পটেলনা লুচিংলিবনি। অনুপ্রিয়া (৩৫) মমাঙ চহীদা পার্টিদগী তাম্থোকখিবনি।

অনুপ্রিয়া পটেল হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেফিয়ার ষ্টেট মিনিষ্টর ওইখ্রে। মহাক হৌজিকসু মহাক্কী অপোকপনা লিংখৎলম্বা উট্টরপ্রদেশকী লোকেল পার্টি অদুগী মেম্বর ওইরি হায়না ফোঙদোরক্লি।

লোক সভাগী ৱেব সাইটতা থাগৎপা প্রোফ্লাইলদা মহাক্কী পার্টি অপনা দলনি হায়না পল্লি। কৃষ্ণ পটেলনা অনুপ্রিয়াগী মথক্তা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবসু লৈখি।

অনুপ্রিয়া পার্টি অদুদগী তাম্থোকখ্রবনি। অদুম ওইনমক বি জে পিগী লুচিংবশিংনা মদু খঙশিন্নদ্রে লোয়নয়া থবক ওইনা পাঙথোক্ত্রি।

অপনা দলগী নেসনেল এক্সজিক্যুটিবনা বি জে পিগা লৈনবা মরী থদৎলগনি লোয়নয়া বি জে পিনা চুংশিন্নবগী নিয়ম ঙাক্ত্রে হায়না অপনা দলগী ৱাঙাংলোই আর বি এস পটেলনা ফোঙদোরক্লি।




# চাইনাগী জিনজিয়াংদা লেন্দ স্লাইদনা ৩৫ শীহনখ্রে

*বৈজিং, জুলাই ৮ঃ*

চাইনাগী অৱাং নোংচুপ থংবা জিন জিয়াং প্রোভিন্সতা লৈবা খুঙ্গং অমা লেন্দ স্লাইদনা চাওনা অমাং অতা থোকহনখ্রে। থৌদোক অদুদা মীওই ৩৫ শীখ্রে হায়না ওফিসিয়েল ওইবা পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

জিন জিয়াং প্রোভিন্সকী কাসগগী মনুং চনবা কোক্যার দাউনসিট মনাক্তা লৈবা খুঙ্গং অমা লেন্দ স্লাইদ অদুনা কা হেন্না মাংহন তাকহনখ্রে।

য়ুমশকৈশ ফাওবদা শীখিবা মশিং ৩৫ শুখ্রে হায়না ষ্টেটনা চল্লাইবা জিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা রিপোর্ট তৌরক্লি। হৌজিকসু লমদম অদুদা মী কনবগী থবক চথরি। লৈখোম-লৈনাং চেন্থরকপা অদুনা মনুং হুঞ্জিন্না লৈবা খুঙ্গং অদুগী ঈ পাউ অমদি মৈ ফংহনবা ঙমদ্রে।

খুঙ্গং অদু কুনলুন চীংশাংগী মখোঙদা লৈবনি। মফম অদুগা অতৈ মফমশিংগা ফাওনবা ঙমদ্রে। মী কনবা কাংবু গথা তোংদুনা নৎত্রগা খোঙনা মফম অদুদা চংশিনখি হায়রি।

# নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা লান্মী ৫ শীরে

*নাইরোবি, জুলাই ৮ঃ*

খা থংবা সুদান লৈঙাক্কী লান্মী ৫ শগোলশেন নুমিৎকী নুমিদাংদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক্তা শীরে হায়না মিলিটরি ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হান্নগী রিবেল লুচিংবা অমসুং হৌজিক হৌজিক ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরিবা রিক মেকরগী লান্মীশিংনা প্রসিদেন্ট সলভাকিরগী লান্মীগা চেক পোইন্ট অমদা খূৎ থোক্লখি হায়না লৈঙাক্কী ৱাঙাংলোই লুল রৱাই কোআংনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক অদুদা লান্মী ৫ শীরে। রিবেলশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবা অদুদা খূৎ হন্দুনা নোংমৈ কাপখি। থৌদোক অদুদা লান্মী ২সু অশোক অপন নংখি হায়রি।


**GAS TODAY**

**ATHOKPAM INDANE, WANGJING & KHONGJOM**
Booking upto .......07/06/2016
Valid from ........... 27/05/2016
Stk........................612(DBTL)
Timing.........7.30 to 10.00 am
Submit Aadhaar Card

**K & K INDANE**
Booking upto Date
Stk..................................306
Timing.........7.30 to 11.30 am
First Come First Serve

**J. RONGMEI SK INDANE**
Booking upto .......28/05/2016
Valid from ........... 26/05/2016
Stk........................306(DBTL)
Timing.........7.00 to 10.00 am

**KHONGNANG GAS, NINGTHOUKHONG**
Booking upto .......18/04/2016
Valid from ........... 14/04/2016
Stk........................306(DBTL)
Timing.........7.00 to 10.30 am
Booking Sl. No. 4231 to 4488

**HARANGCHAL GAS AGENCY**
Booking upto .......14/06/2016
Valid from ........... 11/06/2016
Stk........................306(DBTL)
Timing.........7.30 to 10.30 am

**MM GAS**
Booking upto .......17/05/2016
Valid from ........... 09/05/2016
Stk........................612(DBTL)
Timing.........7.00 to 10.00 am

**MISAO GAS SERVICE**
Booking upto .......20/06/2016
Valid from ........... 01/06/2016
Stk..................................612
Timing.........7.00 to 11.00 am

**MANIPUR GAS**
Booking upto .......14/06/2016
Valid from ........... 11/06/2016
Stk........................612(DBTL)
19 kg ............................... 28
Including Home Delivery
Timing.........7.30 to 9.30 am

**HIYANGTHAN INDANE**
Booking upto .......02/05/2016
Valid from ........... 29/04/2016
Stk..................................306
Timing.........7.00 to 10.00 am

**IMPHAL LPG SERVICE**
Booking upto Date
Stk.................................306
19 kg .............................200
FIRST COME FIRST SERVE
Khudakta Book touraga gas louba yagani

**MAIBIA GAS, MOIRANG**
Booking upto .......08/07/2016
Sl. No. ..........................3890
Valid from ........... 07/07/2016
Timing.........7.00 to 11.00 am

**RBD**
Booking upto .......25/05/2016
Valid from ........... 10/06/2016
Stk.......................612 (DBTL)
Timing.........7.30 to 11.00 am



**St. GEORGE COLLEGE**
Affliated to Bangalore University, RGUHS & Approved by AICTE, INC (Recognized by the Government of Karnataka)

**ADMISSIONS OPEN 2016**
www.stgeorgecollege.org

COURSES

| | | |
|---|---|---|
| M.Sc. (Biotech) | B.Sc. (Genetics) | BCA |
| M.Sc. (Microbiology) | B.Sc. (Comp. Sc) | BBM |
| M.Sc. (Biochemistry) | B.Com (Com) | MSW |
| B.Sc. (Biotech) | B.A (Journalism) | MBA |
| B.Sc. (Microbiology) | B.Sc (Nursing) | GNM |
| B.Sc. (Biochemistry) | P.C.B.Sc (Nursing) | |

SL/B/Upto 15 July 2016

**For Admission Assistance**
Homendro Singh
Career Info Solutions, New Checkon Road, Near ICIC bank, Imphal East, Manipur. Ph:8415033773/8413976991



**STUDY MBBS IN ABROAD**

**BANGLADESH, KAZAKH, CHINA, PHILIPPINES**

Plz Contact :
Atawar Rahman A.S. Education Trust,
Khergao Thambalkhong,
Near Cambridge School,
Old Campus Imphal.

Note :
Available Lone Facility,
Term & Condition require

No Service Charges, Scholarship Available

SINCE 2003

SL/B/Upto 11 July 2016

Contact No. : 9856363129, 9615706900, 8257053310, 0385-2445341



**SPOT ADMISSION FOR**
**Top Colleges in India for the following courses :**

Assistance in Education Loan

Drop up facility upto College Hostel

❖MBBS ❖B. PHARM ❖BSc. Nursing ❖BHMS ❖B.P.T. ❖GNM ❖BDS ❖BAMS ❖B. Tech
❖Robotics ❖Civil, Mech. ❖CS ❖EEE ❖ECE ❖IT ❖Petroleam ❖NANO ❖BHM
❖BBA ❖MBA ❖BSc. Agri ❖Forestry ❖HOTI ❖BFAD ❖Food Tech. ❖BCA ❖MCA

Avail Limited Scholarship

100% Placement Assistance

For details :-
**Career Info Solution**
New Checkon Road near ICICI Bank
Contact us @ 9089762725

SL/B/Upto 14 July 2016



**DIRECT AND SPOT ADMISSION**

**BE** B.Tech
4 Yrs. DEGREE Course in :
• Computer Science
• Information Technology
• Civil • Electronics & Comm.
• Electrical & Electronics
• Mechanical • Architecture

**M. TECH**
• Computer Science
• Machine Design
• Computer Sc. & Network
• Electronics
• Civil Structural
• Civil-Geo Technical

**MBBS/BDS/MDS/BAMS**
B.Sc in Forestry, Agriculture, Horticulture, Fishries
B.Sc in Medical Lab Technology
B.Sc in Medical Microbiology, Maths, Physics
B.Sc in Optemetry, OT, Computer Sciences
Radiography, FND/M.Sc Food
Nutration & Dietetics, Fashion Desining

**M.Sc./B.Sc. :**
✓ Bio Technology
✓ Micro Biology
✓ Bio Chemistry
✓ Applied Genetics
✓ Nursing
✓ Physiotherapy

**DIPLOMA :**
MLT
Radiography Tech
Physotherapy Tech
Dialysis

MBA | Pharm.D
MCA | D.Pharm
BBA | B.Pharm
BCA | M.Pharm
PGDM | B.Ed
D.Ed

BHM | B.Com | M.COM | BSW | B.A. Animation, Multimadeia | Tourism | M.A. Cinema & Telivision

HURRY ! AT TOP RANKING COLLEGES IN INDIA AND ABROAD.
THE ADMISSION CONFIRMATION LETTER WILL BE RECEIVED WITHIN 10 MINUTE - 100 % JOB PLACEMENT AND FREE LAPTOP.

Contact : NEW WAY CONSULTANCY & PLACEMENT (R), Babupara, BOSEM Leirak, Imphal
# : 8119996590 / 8575326215 / 8794525328 / 8119944133

SL/B/Upto 15 July 2016